# কূ গী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুবা এনভোয় ৬ সুদান মিলিটরিনা মফমদগী লৌথোকখ্রে

খারটোম, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সী) :

হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দা সুদানদা মতম শাংনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা লাকখ্রবা ওমর অল-বাসিরগী মায়োক্তা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিনখিবা অদুবু লৈবাক অদুগী মিলিটরিনা শৌগৎখিবগা লোয়ননা নমফুদা মফমদগী লৌথোকখিবনি। মহাকপু মফমদগী লৌথোকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা মিলিটরি অমদি মীয়ামগী ওইবা অপুনবা লৈঙাক অমা লাকখিবনি। অদুবু হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা মিলিটরিনা কূ তৌদুনা মীয়ামগী মীহুৎশিং ফাজিন্দুনা থমখিবা অমদি মিলিটরি খক্তগী ওইবা লৈঙাক অমা শেমখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুবা লৈবাক অদুগী এনভোয় ৬ মফমদগী লৌথোকখ্রে হায়রি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেট, য়ুরোপয়ন য়ুনিয়ন, চাইনা, কাটার, ফ্রান্স অমসুং জেনেভাদা লৈরিবা লৈবাক অদুগী এম্বেসেদরশিংনা মিলিটরিগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবা মতুং মখোয়বু মফমদগী লৌথোক্লে হায়না সুদান আর্মিগী মকোক থোংবশিংনা লাউথোরকখিবগা লোয়ননা মরুওইবা লম্বীশিংদা অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌদুনা মীয়ামগী ওইবা খোঙজং কন্ট্রোল তৌনবা শেম শাদুনা লৈখ্রে।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মিলিটরিনা কূ তৌদুনা পৱার পায়শিনখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অদুগী মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না খোঙজংশিং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। সুদান আর্মিগী কা হেনবা থৌওং অদুবু ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপগা লোয়ননা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা অথুবা মতমদা অমুক হন্না লৈহন্নবা অকনবা মওংদা তকশিল্লি। হৌজিকমক্কী ওইনদি সুদানদা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা লাকহনবগী ৱাফম লৈত্রি। মসিনা মরম ওইরগা অতোপ্পা লৈবাক খরনা সুদানদা মতেং পীবা লেপ্লবা য়াবগী ফিভমদা লৈরি।



হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সাউথ অফ্রিকান য়ুনিয়ননা সুদানবু য়ুনিয়ন অসিদগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। লৈবাক অদুদা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা য়াশিন্নবা পুরক্তুনা শেমদ্রিবা ফাওবা সস্পেন্দ তৌদুনা থমগনি হায়রি। য়ুনাইটেদ ষ্টেট অমদি ৱার্ল্ড বেঙ্কনসু সুদানদা ইমর্জেন্সি এইদকীদমক পীনবা কাইথোক্তুনা থমখিবা দোল্লর মিলিয়ন ৭০০ কী শেনফম ফাজিন্দুনা থমখ্রে।

লৈবাক অদুদা লৈরিবা অতোপ্পা লৈবাক্কী এম্বেসেদরশিংনসু হৌজিক্কী ওইনদি হান্না লৈরম্বা অপুনবা লৈঙাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং মহাক্কী কেবিনেটশিংবু রিকগনাইজ তৌরি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অতোপ্পা লৈবাক্কী এম্বেসিশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি সুদান আর্মিগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

অমরোমদা সুদান মিলিটরিনা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক ইন্থুদুনা মিলিটরি খক্তগী ওইবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবা হোৎনখিবগী থৌওং অদুবু মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মফম কয়াদা খোঙজংশিং চঙশিনবা হৌখ্রে। খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়াম্না সিক্যুরিটি ফোর্স তম্না নুঙ অমদি চেকতুম্নচিংবা থাজিন্দুনা এটেক চথুখি। সিক্যুরিটিগী কা হেনবা থৌওংশিং খুদক্তা লেপকন্দবনি। অথুবা মতমদা মীয়ামগী লৈঙাক অমুক হন্না লৈবাক অদুদা লৈহনগদবনি হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি। হান্না লৈরম্বা বাশিরগী লৈঙাক্তা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিগা মান্নরে হায়না মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোক্লখি।

# অফঘান জর্নেলিষ্টশিংগী মথক্তা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌওং কয়া চথুখি

কাবুল, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সী) :

হৌখিবা থা অনীরোম অসিদা অফঘানিষ্টানদা মথৌ তৌরিবা জর্নেলিষ্টশিংদা তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌওং ৩০ রোম চথুখি হায়না মিদিয়া ৱাটচদোগনা ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা কেসশিং অসিগী মনুংদা চাদা ৪০ দি ফুবা চৈবগী থৌওংনি। ৪০ না অথিবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নদুনা কিহন খঙহনবগী থৌওং চথরম্বনি হায়না গ্রুপ অসিগী লুচিংবা মাসোরো লুটফিনা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, জর্নেলিষ্টশিংদা চথুখিবা ভাইওলেন্সকী থবক থৌওংশিং অসি অয়াম্বনা টালিবাননা চথুখিবনি।

চহী অসিগী ওগষ্ট থাগী ময়ায় চল্লকপদগী হৌরগা অফঘানিষ্টানদা হান্না লৈরম্বা ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংনা বেক তৌরম্বা লৈঙাক অদুবু মায়থিবা পীদুনা টালিবানগী ওইবা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমখিবনি। অফঘানিষ্টানদা নৌনা লাকখ্রবা টালিবান লৈঙাক অসিনা জর্নেলিষ্টশিং মনিং তম্না মথৌ পাঙথোকপদা অয়েৎপা কয়া পীরি। মসিদা নত্তনা লৈবাক অদুদা টালিবাননা চথুখিবা কা হেনবা থৌওংশিং অদুবু মালেমগী মীয়ামদা খঙহল্লুবা পাউমীশিংবু অকি অখঙ পোকহনবা অমদি ফুবদগী হেন্দাক্তুনা হাৎপগী থবক ফাওবা চথুরি।



অমরোমদা টালিবানগী দিপ্যুটি কলচরেল এন্দ ইনফোর্মেসন মিনিষ্টরসু ওইরিবা টালিবানগী ৱাঙাংলোয় জবিহুলা মুজাহিদনা ফোঙদোকখিবদা, জর্নেলিষ্টশিংগী মথক্তা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওং কয়া চথুরিবা অসিগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না য়েংশিল্লি। মিদিয়া পর্সনশিংদা অকি অখঙ পোকহল্লিবা মীওইশিং মশক খঙদোক্তুনা লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীগনি। টালিবানগী মেম্বরশিং অসি মালেমগী লৈবাকশিংদা চৎনরিবশিং মপুঙ ফানা খঙদবনা মরম ওইরগা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌওংশিং হেক হেক চথুরি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি মখা তানা থোকহন্দনবা মরী লৈনবশিংনা অকনবা মওংদা হোৎনরি। মতম খরদি অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসি থোকপা য়ানা লৈরি। মসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনগনি হায়রি।

# ফোরেন ফাইটর খরনা লিবিয়াদা সিজ ফায়র থুগাইনবা হোৎনরি : য়ুনাইটেদ নেসন্স

ন্যু য়োর্ক, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সী) :

লিবিয়াদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা সপোর্ট তৌবা গভর্ণমেন্ট ওফ নেস্নেল য়ুনিটি (জি এন য়ু) অমদি খালিফা হাফটরনা লুচিংবা ফোর্সশিংগা মতম শাংনা উংখৎনদুনা লাকখ্রবা মতুং মমাং চহীগী ওক্তোবর থাদগী নাকল অনীগী মরক্তা সিজ ফয়র তৌনদুনা লাক্লি। অদুবু ফোরেন ফাইটর খরনা সিজ ফয়রগী চৎনা কাঙলোনশিং অদু থুগাইনবা হোৎনরক্লি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী চীফ এন্তোনিও গুটর্সনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লিবিয়াদা থোক্লিবা লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাথোক অসি খূৎ থোক্লবগী থৌওংশিংনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোই। নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবগী থৌওংশিং অসিদি পোলিটিকেলগী থাক্তা ৱারী শাদুনা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনগদবনি।

লিবিয়া মনুংদা থোক্লিবা নাকল অনী উংখৎনবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া অৱাফমদা তাহল্লি। হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী এপ্রিল থাদা মিলিটরি কমান্দর খালিফা হফটর অমদি মহাক্কা চৎমিন্নরিবা কাঙবুশিংনা লৈবাক অদুগী কোনুং ত্রিপোলিবু মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনখি।

থা ১৪ রোম গভর্ণমেন্ট ওফ নেস্নেল য়ুনিটিগী ফোর্সশিং অমদি খালিফা হাফটরগী লান্মীশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লখি। খূৎ থোক্লরিঙৈ মরক্তা য়ু এননা শকখঙলবা জি এন য়ুদা টর্কি অমদি সিরিয়ানা মতেং পাংশিল্লকপদগী খালিফা হাফটরগী ত্রিপোলি লৌশিন্নবা ফিরেপ অরেম্বদা তাখি।

মদুগী মতুং মমাং চহীগী ওক্তোবর থাদা নাকল অনীগী মরক্তা সিজ ফয়র এগ্রিমেন্ট তৌনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা লৈরিবা ফোরেন ফাইটর অমদি মর্সিনরি খুদিংমক নুমিৎ ৯০ নিগী মনুংদা লৈবাক অদু থাদোকপা হায়না য়ানখি। য়ানখিবা অদুদা চহী অদুমক্কী দিসেম্বর থাদা ইলেক্সন পাঙথোক্তুনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্লবসু পনখি হায়রি। লৈবাক অদুদগী ফোরেন ফাইটরশিং চৎহনখিবা হায়না য়ানখ্রবসু মমাং থা এপ্রিল ফাওবদা লৈবাক অদুদা ফোরেন ফাইটর ২০,০০০ হেন্না লৈরি।

# সিঙ্গাপোরদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং খংহেন হেনগৎলকখ্রে

সিঙ্গাপোর সিটি, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সী) :

সিঙ্গাপোরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোকপগী চাং খংহেন হেনগৎলকখিবনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা লৈরিবা হোস্পিটালশিংদা প্রেসর কয়া লাকপা হৌখ্রে হায়না সিঙ্গাপোরগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা পুঙ ২৪ দা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৫,৩২৪ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১০ শিহনখি। ঙসি শিহনখিবা মী মশিং অসি থারগা হৌজিকফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শিহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৩৪৯ শুখ্রে।

লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মতম শাংনা লোকদাউন থমজিন্দুনা লাকখ্রবা মতুং হৌখিবা চয়োল খরগী মমাংদা অথিংবশিং অদু মীয়ামগী য়েংলগা কোমথোকখিবনি। মরক অসিদা লায়না লায়চৎ শন্দোকপগী চাং খংহেন হেনগৎলকখিবা অসিনা মরম ওইরগা অমুক হন্না লৈবাক অসিদা অথিংবশিং থমজিল্লবা য়ানা লৈরি।

মতৌ করম্না লায়না লায়চৎ অসি অমুক হন্না শন্দোকপা হৌরকখিবনো হায়বগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা থিজিনবা হৌখ্রে। পনবা য়াবদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীশিংগী চাদা ৮৪ দি কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপখ্রে।

# মালেমদা অঙ্গৈং অশাগী খল কাইথরকপদগী লৈবাক কয়া খুদোংচাদবা মায়োক্নবা হৌরে

পেরিস, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সী) :

মালেমদা অঙ্গৈং অশাগী খল নোংম নোংমগী কাইথরকপনা মরম ওইরগা মালেমদা লৈরিবা লৈবাক কয়াদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্ন হল্লে। মরু ওইনা অঙ্গৈং অশাগী খল কাইথরকপদা এদাপ্ট তৌবা ঙমদবা সিটি কয়াসু য়াওরি। অঙ্গৈং অশাগী খল কাইথরকপনা মরম ওইরগা ঈশিং ঈচাও য়াম্না তোয়না থোকহল্লকপা, পোলুসনগী চাং ৱাংখৎলকপা অমদি শাবগী চাং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি হায়না থিজিল্লোয়শিংনা ফোঙদোরক্লি।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাক্লিবা এনভাইরোনমেন্টেলিষ্ট কয়ানা ফোঙদোকখিবদা অঙ্গৈং অশাগী খল কাইথরকপা অসিনা মরম ওইরগা মালেমদা লৈরিবা মীওই মিল্লিয়ন ৪০০ রোমদি খুদোংথিবা তারবা য়ানা লৈরি। অঙ্গৈং অশাগী খল কাইথরকপনা মরম ওইরগা মীওইবনা থাজরমদবা থৌওং কয়া থোরক্লি।

শাবগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা মীওইবনা হিংবদা তঙাইফদনা চঙলিবা ওক্সিজেন পুথোক্লিবা উ পাম্বীশিংগী লৈফম উমং কয়া লেপ্পা লৈতনা মৈ চাকপগী থৌদোক থোরক্লি। মফম খরদনা খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাও থোরক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সি অরেম্বদা মাঙহল্লি। মসিদা নত্তনা শৌদোকপা ঙম্লরোই হায়না থাজরুবা উন মপৈ কয়া ঙসিদি লেপ্পা লৈতনা শৌদোরক্লি। করিগুম্বা উন মপৈশিং অসি মপুং ফানা শৌদোরক্লবদি মালেম অসি ঈশিংগী ঈরোলনুংদা শোয়দনা লুপখ্রগনি হায়না থিজিল্লোয়শিংনা থাজনরি। মসিদা নত্তনা নুমিত্তগী লাকপা রেশিংদগী য়ু ভি রেবু ঙাকথোক্লিবা ওজোন লায়রশিং নোংম নোংমগী পাথরক্লি। ক্লোরো ফ্লোরো কার্বোননা মরম ওইরগা ওজোন লায়রশিং নোংম নোংমগী পাথরক্লি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মালেমগী লৈবাক কয়ানা অঙ্গৈং অশাগী খল কায়থরকপগী মতাংদা মীফম কয়া ফমদুনা কোয়লাগী প্রদক অমদি নুংশিৎপু মোৎশিনহনবা য়াবা মচাকশিং শীজিন্নদনবা ফিরেপ কয়া লৌনখ্রে। লৌনখ্রিবা ফিরেপশিং অদু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদবনা মরম ওইরগা অঙ্গৈং অশাগী খল কাইথরকপনি হায়রি।

# মফম কয়াদা লোকদাউন থমজিনবা হৌখ্রে

বৈজিং, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সী) :

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা চাইনাগী মফম খরদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অমুক হন্না শন্দোকপা হৌরকখ্রবা মতুং চাইনিজ ওথোরিটিনা সিটি অহুম লোকদাউন থমজিনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা হান্নগুম মী পুনবগী থবক থৌওংশিংদা অহোংবা খরা লৈহল্লকপা য়ানা লৈ হায়রি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ট্রাভেল হিষ্টরি লৈতবা মীওই ২৩ কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরম্বা থেংনরকখিবনি। ওক্টোবর ১৭ তগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা কোভিদকী অনৌবা কেস ২৭০ থেংনখ্রে। নৌনা থেংনরক্লিবা কেস অসি দেল্টা ভেরিয়েন্ট ওইরম্বা য়াবগী অকিবা লৈবনা তঙায়ফদনা কেসশিং থেংনখিবা সিটিশিংদা অমুক হন্না লোকদাউন থমজিন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। লোকদাউন মনুংদা মরম লৈতনা য়ুমদগী মপান থোকপা য়ারোই। লোকদাউন থমজিনখ্রবা সিটিশিংদা পুলিসনা চেকশিন্না মথৌ তৌগনি।

# টাইৱানবু চাইনাগী কা হেনবা থৌওংশিংদগী য়ু এসনা ঙাকথোক্কনি হায়না থাজৈ : প্রসিদেন্ট

টাইপৈ, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সী) :

চাইনানা দিমোক্রেটিক আইলেন্দ অমা ওইনা মরোমদোম লৈঙাকচরিবা টাইৱানবু মখোয়গী ঙমখৈগী শরুক্লি হায়না ক্লেইম তৌবগা লোয়ননা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা টাইৱানগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা চাইনানা কা হেনবা থৌওং কয়া চথরক্লিবা অসিদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা ঙাকথোক্কনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা লৈ হায়না টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ঈং ৱেননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ু এস ট্রুপশিংনা টাইৱানিজ ট্রুপশিংবু ট্রেনিং পীবগী থবক চথুরি হায়না ফোঙদোরক্লি।



থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা পেন্টাগোননা অহানবা ওইনা য়ু এস ট্রুপশিংনা আইলেন্দ অদুদা লৈদুনা টাইৱানিজ ট্রুপশিং ট্রেনিং পীবগী থবক চথুরি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং ঙসি লুচিংবী অসিনা ৱাফম অসি কনফার্ম তৌখিবনি। ঙসি টাইৱানগী লুচিংবী অসিনা সি এন এনদা ৱা ঙাংলদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, চাইনানা চথরক্লিবা কা হেনবা থৌওংশিং অসি মায়োক য়াবা ঙম্নবগীদমক আইলেন্দ অসিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা কন্না হোৎনরি। ৱাশিংটননসু চাইনানা চথরক্লিবা অহেনবা থৌওংশিং অসিদগী শোয়দনা ঙাকথোক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। য়ু এসনা টাইৱানগীদমক লেপ্লিরিবা অসি য়াম্না লাইবক ফবনি হায়রি।

ৱার্ল্ডপৱার ওইরিবা চাইনা অমসুং য়ু এসকী মরক্তা টাইৱানগা মরী লৈননা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্লি। টাইৱানবু য়ু এসনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মেম্বর অমা ওইনবা হৌদোকখিবা ৱাফম অদুবু চাইনানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা টাইৱাননা য়ু এন দা য়াওবগী রাইট লৈতে। টাইৱান লৈবাক অমা নত্তে। চাইনাগী ঙমখৈগী শরুক্লি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# ময়ায় কাবা চিঙ্গাক লল্লোনবশিংগী মথক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সনা চথুখিবা ওপরেসন অমদা মীওই ২৫ শিখ্রে

রিও দি জনৈরো, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সী) :

ব্রাজিলগী মনুং চনবা রিও দি জনৈরোগী খ্বাইদগী চাওবা স্লম এরিয়া অমদা পুসিলসশিংনা দ্রগ লল্লোনবা কাঙবুশিংদা টার্গেট তৌদুনা চথুখিবা ওপরেসন অমদা খূৎ থোক্লরকপদগী পুলিস ওফিসর অমা য়াওনা মীওই ২৫ শিখ্রে হায়রি।

রিও দি জনৈরোগী অৱাং থংবা শরুক্ত লৈবা জকার্জিনহোগী শরুক্তা ঙসি অয়ুক অঙনবদা খূৎলাই পায়বা পুলিস পার্সনেল কয়া মফমদুদা চঙশিল্লকখি অমদি মখোয়দা মতেং পাংবা ওইনা বুলেট প্রুভ হেলিকোপ্তর অমা নোংথক্তা পাইদুনা লৈখি। মফমদুদা দ্রগ লল্লোনবা অমদি খূৎলাই পায়বা মীওইশিং লোনা য়াদবা মওংদা থবক তৌরে হায়বগী অকল্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং পুলিসশিং মফমদুদা চঙশিনখিবনি। মদুদা ক্রিমিনেলশিং ওইরম্বা য়াই চিংনবা মীওই খরা নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনখি। মদুদা পুলিসশিং অদুনা নোংমৈ কাপখি। পুলিসনা চথুখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা শোয়বদগী হায়দোরকখিবা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা মেট্রো ট্রেনদা লাকখিবা পেসেঞ্জর অনী অমসু শিখি।

স্লম এরিয়াগী মফম খরদা লৈরিবা য়ুমগী শরুকশিংদা নোংমৈ মরুনা পানবগী দাকফম কয়া মীয়াম্না উবা থেংনখি। অমদি লৈমায়দা মীওই কয়া শিদুনা তাবসু নাকলদা লৈরম্বা মীওইশিংনা থেংনখি।



রিওগী সিভিল এন্দ ফেন্দরেল পুলিস ফোর্সনা ঙসিগী ওপরেসন অদু মায় পাখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি। অদুমওইনমক হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্টশিংনদি পুলিসকী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অহেনবা থবক থৌওং কয়া পুলিসনা চথুখি হায়না মরাল শীরক্লি। মফমদুদা নোংমৈ কাপখিবা অদু লাইবকথিবনি। অতোপ্পা পাম্বৈ অমা তৌরগা দ্রগ লল্লোনবা মীওইশিং অদু ফানবা হোৎনরম্বসু য়াই। অদুবু মদুগী মহুত্তা মীয়াম তিনবা মফমদা নোংমৈ কাপ্পা হায়বসি অরানবা থৌওংনি। মখা তানা অসিগুম্বা থৌওংশিং থোকহন্দনবা হায়রি।

সেন্তর ফোর ষ্টদিজ ওন পব্লিক সেক্যুরিটি এন্দ সিটিজেনসিপকী রিসার্চর ব্রুনোনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মপুন্সিদা পুলিসনা য়াম্না তমথিবা মওংদা চথুখিবা ওপরেসন অদু অহানবা ওইনা উবনি। পুলিস ওফিসর অমা দ্রগ লল্লোনবশিংগী নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শিখিবা অদুগী লমন খুম্বা মানবা মওংদা অহেনবা পুলিস ফোর্স কয়া থোমজিল্লক্তুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌওং অদু চথুখিবনি।

নোংমৈনা কাপ্পগী থৌদোক্তা শিখ্রবশিং অদু কনা কনানো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। শিরিবশিং অদুগী মনুংদা মীচম কয়া য়াওরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ হায়না ব্রুনোনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। পুলিসকী মায়কৈদগীসু থৌদোক অদুদা শিখ্রবা মীওইশিং অদুগী মতাংদা চপ চানা মীয়ামদা খঙহল্লকপা লৈত্রি। অদুবু লোকেল মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদা মফমদুদা শিদুনা তারিবা মীওই অয়াম্বা জগা অদুগী নত্তে। মফম অদুগী মীওইশিং নৎত্রবসু পুলিসনা স্লম এরিয়া অদুদা চথুখিবা কা হেনবা থৌওং অদুদি মীয়াম্না য়ানিংদে। ইমুংদা লোত্তুনা লৈরিবা মীওইশিং অদুবু ফারগা ৱায়েল চথবগী মহুত্তা ইমুংদা নুপী অঙাং মমাংদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌওং অদুনা মরম ওইরগা অঙাংশিংগী ৱাখল্লোনদা অকিবা মমি চাওনা পোকহল্লে। মতুং তাবদা অসিগুম্বা থবক থৌওংশিং চথুদনবা আপীল তৌরি।

GOVENRMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF TRIBAL AFFAIRS & HILLS
-----
/ NOTIFICATION
Imphal, the 27th October, 2021

**No. 12/NSP/2019-TA&H:** This is for information to all concerned that the last date of application of ST Scholarship, Manipur for the Academic year 2021-22 has been extended by 1 (one) month up to 30.11.2021. The last date was supposed to be 31.10.2021.

**The Last date of online submission details will now be as given below:**

| Category | Scheme closing date | Institution verification last date | District Level verification last date | State Level verification last date |
|---|---|---|---|---|
| (1) | (2) | (3) | (4) | (5) |
| (a) Pre- Matric | 30/11/2021 | 15/12/2021 | 30/12/2021 | 15/01/2022 |
| (b) post-Matric | -do- | -do- | N/A | 15/01/2022 |

Therefore, Students/Principals of various institutes located in Manipur and outside the state are directed to complete their application and verification well on time before the expiry of the extended dateline. It may also be noted that, no further extension for ST Scholarship application will be given after this one-time extension.

Further, this Directorate is sharing the observations made by **Comptroller & Auditor General (C&AG), India** while undertaking data analytics on Scholarship applications and to informed concerned Institutes head to check such cases while verifying student's credential and take corrective measures at their end. The following are the observation made by C & AG, India:

i. **Annual income of Parents/ Guardians of the beneficiaries is more than the prescribed limit.**
ii. **Parents/Guardians of the beneficiaries are serving/retired Government employees (rendering compliance with the income threshold doubtful).**
iii. Scholarship Beneficiaries' family owing 4-wheeler vehicle (rendering compliance with the income threshold doubtful)
iv. Students claiming duplicate scholarships in Post/Pre-Matric schemes for SC, ST and Minorities within the same Academic year (duplicate beneficiaries)
v. Duplicate Beneficiaries availing scholarship in multiple schemes (SC and ST) as well as within the same schemes in a year (Bank accounts found where more than one scholarship is being paid at the same time)
vi. **Beneficiaries' bank account/branch located outside the domicile State.**
vii. Invalid Aadhaar numbers found for ST students claiming scholarship (either data entry errors or fake Aadhar numbers)
viii. Students availing scholarship through colleges shown as de-affiliated as per AISHE survey
ix. Standalone Institutes identified as 'Inactive ' by AISHE
x. Universities depicted as 'deleted' by AISHE
xi. **Unusually high number of verifications of ST Student's (100+) carried out by an institute/school in a single day.**
xii. **Verifications carried out by schools/institutes on Sundays (unusual).**
xiii. **Verifications carried out by schools/institutes during unusual hours.**
xiv. **Multiple Students registered with the same mobile number within same Institute.**
xv. Post-Matric Scholarships claimed by students from School identified by UDISE+ as non-operational
xvi. Excess beneficiaries found at district level comparison of Class XI/XII Scholarship beneficiary data with UDISE survey data
xvii. IP Address of the Post-Matric School users/ verifiers showing geographical location outside the State in which School is situated.

Issued in public interest and for compliance by Students/Institutes heads. Non compliance to the above C&AG, India report may result in rejection of application submitted by Institutions.

**Sd/- C. Arthur Worchuiyo**
Director,
Tribal Affairs & Hills, Manipur

HL-B/7251/28, 29